**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমসুং বি.জে.পি প্রসিদেন্ট উন্নদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা খন্নখ্রে।

২) মণিপুরী ফিল্ম 'বুং'না বৃটিশ একাদেমি ওফ ফিল্ম এন্দ তেলিভিজন আর্টস ২০২৬কী বেষ্ট চিলদ্রেন এন্দ ফেমিলি ফিল্ম এৱার্দ ফংলকপদা প্রধান মন্ত্রি, মুখ্য মন্ত্রি অমদি লুচিংবা কয়ানা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

৩) মেত্রিক পরিক্ষাগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা পরিক্ষা সেন্তর অমগী মনাক্তা কম্প্যুটর সেট, প্রিন্তর অমদি ইলেক্ত্রোনিক্সকী পোৎলমশিং শিজিন্নদুনা অন্সার স্ক্রিপশিং সপ্লাই তৌনবা হোৎনরম্বা মীওই অনি ফারে।

৪) মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোনসাংনা হায়রি- মণিপুরদা খুদোংথিবা মায়োকরবা নপীশিংনা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর ১৮১ গী খুদোংচাবা লৌবীয়ু।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিদা তেরোরিজম থেংননবা- প্রহার হায়না মীংথোনবা অনৌবা থৌশিল থৌরাং অমসুং লল্লোং ঙসি গৃহ মন্ত্রালয়না হৌদোকখ্রে।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহগা উন্নখ্রে। মণিপুর সরকারনা থাদোরকপা সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা হায়- মণিপুরগী ঙাকশেলগী থবক থৌরমশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা মুখ্য মন্ত্রিনা শ্রী রাজনাথকা উন্নখিবনি। উন্নবা অদুদা শ্রী খেমচান্দনা মণিপুরদা তেরিতোরিয়েল আর্মিগী বত্তাল্লিয়ন অমা লিংবীনবা কেন্দ্র সরকারগী পুকিং চিংশিনখি। শ্রী রাজনাথনসু রাজ্য সরকারগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি। রাজ্য সরকারগী থৌরাং অসিনা মণিপুরগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক কেন্দ্র অমসুং রাজ্যগী মরক্তা মতেং পাংনদুনা ঙাকশেলগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

উন্নবা অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোসু লোয়নখি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো অমসুং শ্রীমতি নেমচা কিপগেনগা লোয়ননা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমনগা নিউ দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা উন্নখি। শ্রী খেমচান্দনা থা অসিগী ৪ দা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুং কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রিগা উন্নবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। উন্নবা অদুদা শ্রীমতি সিতারমন্না রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মহাকা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি। ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা মতেং পীগনি হায়বগী থাজবসু কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা পীরকখি হায়রি। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা লমদম অসিবু পুন্না চাওখৎমিন্নবগী পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা কেন্দ্র সরকারগী শেল থুমগী মতেং হেনগৎহন্নবসু তকশিনখি।

মদুগী মমাংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো অমসুং নেমচা কিপগেননা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিনগা দলগী হেদক্কাটরসতা উন্নখি। উন্নবা অদুদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী মতাংদা কুপা খন্নবগা লোয়ননা লমদম অসিদা শান্তি, তংদু লৈতাবা অমসুং মীয়ামগী থাজবা হঞ্জিনহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

উন্নবা অদুদা দলগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বা ফংহন্নবস্ খন্নখি। মীফম অসিনা লমদম অসিদা অফবা লৈঙাক সাসন, অমত্তা ওইবা অমসুং চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা খোঙথাং অমা ওইরগনি।

ফিলম (এল)ঃ মণিপুরী ফিল্ম 'বুং'না বৃটিশ একাদেমি ওফ ফিল্ম এন্দ তেলিভিজন আর্টস (বাফতা) ২০২৬কী বেষ্ট চিলদ্রেন এন্দ ফেমিলি ফিল্ম এৱার্দ ফংলকপদা মাইকৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোংদোকরক্লি। ফিলম অসি লক্সমিপ্রিয়া দেবীনা দাইরেক্সন পীবনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বুং ফিলমনা এৱার্দ ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়- ফিলম অসিগা মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্কী মফমদা নুংঙাইবা ফোংদোকচরি। তশেংনমক, বুং ফিলমনা অসিগুম্বা মনা অমা ফংলকপদা মণিপুরগীদমক নুংঙাইবা অমদি চাউথোকচবা ফাওই। ফিলম অসিনা জাতি অসিনা ফিলমগী লমদা হৈথোই শিংথোইবশিং অদু নিংথিনা উৎপা ঙমলে।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- বুং ফিলমনা লেমজনিঙাই ওইরবা মনা অসি ফংলকপদা মণিপুর অমসুং ভারতপু চাওথোকচবা ফংহল্লে। ফিলম অসিগী দিরেক্তর শ্রীমতি লক্সমিপ্রিয়া দেবীগী মায় পাকপা অসিনা ফিলমগী লমদা মহাক্কী হৈথোই শিংথোইবশিং অদু নিংথিনা উৎথোকপা ঙমলে।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনসু বাফতা এৱার্দ ফংলকপদা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। মণিপুরী লোলগী ফিলম অমনা অসিগুম্বা অন্তরজাতিগী ওইবা শকখঙনিঙাই ওইবা মনা ফংবা অসিনা লমদম অসিগী আর্টিষ্ট অমদি ফিলম মেকরশিংগী হৈথোই শিংথোইবা কয়া অদুবু উৎথোক্লি। এৱার্দ অসিনা লৈবাক অসিগীতা নত্তনা মণিপুরবু চাউথোকচবা পোকহল্লে।

এম.এল.এ থৌনাউজম বসন্তকুমারনা বুং ফিলমনা বাফতা এৱার্দ ২০২৬ ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়- ফিলম অসিগী মায় পাকপগী ৱারী অসি ভারতকী সিনেমাগী ইতিহাসতা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগনি। মণিপুরী

লোলগী ফিলম অমনা মালেমগী থাক্তা লেমজনিঙাই ওইরবা মনা ফংলকপা অসিনা মণিপুর অমসুং ভারতপু হেন্না চাউথোকচবা ফংহল্লে।

কম্মিসন (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোনসাংনা হায়রি- মণিপুরদা খুদোংথিবা মায়োকরবা নুপীশিংনা ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর ১৮১ গী খুদোংচাবা অসি লৌবীয়ু। মহাকা হায়- নুপীশিংদা চথবা হিংশা থিংনবা হোৎনবদা অমনা অমবু মতেং পাংবগী তঙাইফদবা লৈ।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা তোপ দুসেরা য়ারল ভি.এল.এফনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ ময়াই লৈকাইদা লৈবা এস.এ.সি কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকপা জেন্দর সেন্সিতাইজেসনগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রীমতি তিনিংফম মোনসাংনা হায়- মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফংলবা নুপীশিংনা লমদম অসিদা লৈরিবা ৱান ষ্টোপ সেন্তর নত্ত্রগা শক্তি সদনদা লৈবা য়াই। নুপীশিংবু অশোই অঙাম য়াওহন্দনা থম্বা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি। মহাকা হায়- কনাগুম্বা মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফংলবা নুপীশিংনা মখোয়গী অৱাবা অদু কম্মিসনদা পাউ পীনিংদ্রবসু মখোয়গী মরুপ মপাংগী খুত্থাংদা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবা হোৎনগদবনি। সমস্য খুদিংমক নুপীশিংনা ময়োকগদবনি মদুবু খাঙদুনা লৈশিনবনা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োকরকপা য়াই।

ভেহিকল (এল)ঃ রাজ্য অসিগী নাগরিকশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা পান্দমদা রাজ্য সরকারগী মোটোর ভেহিপল দিপার্টমেন্টনা অনৌবা ইন্তর সেপতর ভেহিকল টেকোলোজি শিজিন্নবা হৌরে। থৌরাং অসিনা লম্বী চৎপগী নিতি নিয়মশিং ঙাক্তবশিং খঙদোকপদা চাউনা মতেং ওইগনি। লম্বীগী অশোই অঙাম থোক্তনবা থৌশিল থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ফোর-ঈ ইঞ্জিনিয়ারিং, ইদুকেসন, এনফোর্সমেন্ট অমসুং ইম্মরজেন্সি কেয়ার হায়বসিগী মখাদা রাজ্য অসিদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক থোক্তনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

একজাম (এল)ঃ মথং থাগী তাং ২৩ ফাওবা চখগদবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন ঙসিদগী তোঙান তোঙানবা সেন্তর ১৬১ দা হৌখ্রে। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ইংলিস সবজেক্ট থোকখি। পরিক্ষা অসিদা নত্তবা পাম্বে শিজিন্নবগীদমক মহৈরোইশিং তাম্থোকখিবগী পাউ লৈতে।

অদুমওইনমক, বোসেমগী পাউ মতুংইন্না খোঙবান চেনবা মীওই অনি ফাগৎখি। য়াইরিপোক্তা লৈবা পি.এল.সি স্কুলগী একজামিনেসন সেন্তরগী ৱাংমদা মীওই অনি অসিনা ভেন অমদা কম্প্যুটর সেট, প্রিন্তর অমদি ইনভার্তর য়াওনা ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎলমশিং শিজিন্নদুনা অন্সার স্ক্রিপশিং নমথোক্তুনা সপ্লাই তৌনবা মখোয়না হোৎনরম্বনি। ফারবা মীওই অনি অসি মখা তাবা ৱাহং পাউহং চখনবা পুলিসতা শিন্নখ্রে। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- ৱাটসএপ গ্রুপ অমদগী পরিক্ষাগী ক্বেসনশিং অসি ফংলবা মতুং অন্সারশিং অদু নমথোক্তুনা মহৈরোইশিংদা য়েন্থোকবা হোৎনরম্বনি।

নীংশিংবা য়াই, নেসনেল হদুকেসন পোলিসি ২০২০ চৎনহনখ্রবা মতুং পরিক্ষা থাবদা হেন্না লাইথোকহন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা খোঙবান চেনদুনা নত্তবা পাম্বে শিজিন্নবশিং দ মণিপুর প্রিভেন্সন ওফ মাল প্রাক্তিসেস ইন হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন এন্দ হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন্স এক্ট ২০২৪ গী মতুংইন্না মীওই অমা চহি ৫ দগী ১০ ফাওবা ফাদোক পীবা নত্রগা লুপা কোতি ১ ফাইন থিহনবা য়াই।

ফাউন্দেসন (এল)ঃ খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিতি লিংখৎখিবগী মঙারকসুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোনশম লৈকাইদগা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম জোয়কুমারনা হায়- তেল্লবা মতম অসিদা য়ুনিভর্সিতি অসিনা পি.ঐচ.দি মহৈরোই অমা পুথোকখ্রে। হৌজিক মহৈরোই ৯ লোম পি.ঐচ.দি ফংগদবা লৈরি। মহাকা হায়- য়ুনিভর্সিতি অসিগী নাইট কলেজ অথুবা মতমদা

হৌরগনি। মসিগী মথক্তা খুৎ-শা হৈবগা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসন অমসু হৌরগনি। মহাকা হায়- সাউথ এসিয়ান লৈবাকশিংগা শমহন্নবা পান্দমদা থাইলেন্দ অমসুং কম্বোদিয়াগা লোয়ননা সংস্কৃতি অমদি মহৈ মশিংগী লমদা য়ান্ন-ৱারোল অমা অথ্বা মতমদা য়ুনভর্সিতি অসিগা সহি তৌনরগনি।

প্রোফেসার জোয়কুমারনা হায়- য়ুনিভর্সিতি অসি তুয়েল্ব দি কম্মিসন শোইদনমক্কী ফংলগনি। মরম অদুনা য়ুনিভর্সিতি অসি হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু।

গেমস (এল)ঃ অহানবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিজিনস গেমস অমসুং কলচরেল মিট ২০২৬ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তিদিম রোড এথলেতিক্স য়ুনিয়ন (ত্রাউ)গী গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমসুং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ)না য়েলহৌ মশান্না য়োকখৎ কাংলুপ (ৱাই.এম.এম)গা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা অমুকোগী প্রসিদেন্ট শঞ্জয় শোরোকখায়বমনা হায়- মীওইবগী সভ্যেত্যা শেল্লকপা হায়বসি শাংলবা ইতিহাসকী শরুক অমনি। মসিদা ঐখোয়গা শাগোন্নদুনা লাক্লবা লীচৎ শাজৎ, শা-লান অমসুং শান্ন-খোৎনবনচিংবা কয়া অসি মসিদা লোয়নদুনা লাকই। থৌরম অসি মণিপুরদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা নাৎ অমসুং চৎনবী য়াওনা লমদম অসিদা লৈরক্লবা মশান্না কয়াবু য়োকখৎনবা অমসুং মশক থোকা থমবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

চান্দেল (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ ইদুকেসন (এস) অমদি জোনেল ইদুকেসন ওফিস চান্দেলগী সাইন্স য়ুনিতকা খুৎশমদুনা ঙসি জিলা অসিদা নেসনেল সাইন্স ডে ২০২৬ পাঙথোকখ্রে। জেদ.ই.ও চান্দেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু ফোষ্টরিং পাব্লিক ট্রষ্ট ইন সাইন্স হায়বা হিরম অসিদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্বিজ কম্পিতিসন অমদি সাইন্স টোল্ক পাঙথোকখি।

ভেটরিনারি (এল)ঃ চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিনারি দিপার্টমেন্ট অমদি কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র অনিনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা এনিমেল হেলথ কেম্প অমা চান্দেল জিলাগী লম্খুং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্বাইন ফিভর ভেক্সিন কাপথোকখিবতা নত্তনা শা-ষনশিংগী তোঙান তোঙানবা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

হোম ঃ লৈবাক অসিদা তেরোরিজমগী থেংননবা প্রহার হায়না মীংথোনবা অনৌবা থৌশিল থৌরাং অমসুং লল্লোং ঙসি গৃহ মন্ত্রালয়না হৌদোকখ্রে। তেরোরিষ্টশিংনা কিহল্লকপা অমসুং মখোয়গী থবক থৌরমশিংদগী ঙাকথোকবা অমদি থেংননবা মসিনা মপুং ওইবা ফ্রেমৱার্ক অমা শেল্লি।

মন্ত্রালয়না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- তেরোরিষ্টশিংনা শিংনরকপগী মওং অসি মতম মতমগী মতুংইন্না অওনবা লাক্লি। অদুমওইনমক, ভারতনা মতম লৈবা খিবিক্তা চেরোরিজমগী থবক থৌওং খুদিংমক্কী মায়োক্তা লেপ্তুনা লৈরি। চেরোল অদুনা হায়- তেরোরিজমগী চৈথেং নংলবা মীয়ামগীদমক ভারতনা মতম চুপ্পদা লেপ্তুনা লৈ অমদি মালেমসিদা হিংশাগীদমক করিগুম্বা মফম অমত্তা লৈতে।

রেলৱে ঃ কেন্দ্রগী হান্নগী রেলৱে মন্ত্রি মুকুল রোই ঙসি লৈখিদ্রে। মতম কুইনা নারল্লবা মতুং ঙসি অয়ুক কোলকাতাগী লনাই হোস্পিতাল অমদা মহাক লৈখিদবনি। মহাক্কী হকচাং ঙসি রাজ্য বিধান সভাদা পুদুনা অধ্যক্ষ বিমান মন্দোপধ্যায় অমসুং এম.এল.এশিংনা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, মুকুল রোই থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মহাক্কী পোকফম লমদম নোর্থ ত্বেন্তি ফোর পরগনাজ জিলাগী কঞ্চাপারাগী ঘতক পুকুরদা লৈবা ময়ুমদা পুদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কনি।

মুকুল রোইনা লৈখিদবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। অৱাবা ফোংদোকপগী চেরোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- সমাজ অসিগীদমক

মহাকা তৌরম্বা থবকশিংগীদমক মুকুল রোইবু মতম লৈবা খিবিক্তা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনসু মহাকা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারিহায়রি। মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনর্জিনা হায়- নোংচুপ বেঙ্গলগী রাজনীতিগী লমদা মহাকা লৌরম্বা থৌদাংশিং মতম চুপ্পদা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা ৩২ শুবা গভরনস কপ ইনভাইটেসন শগোল কাংজৈ (পোলো) ট্র্নামেন্ট ২০২৬ কী ওসি শান্নখিবা মেটচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈনা তেকচম পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৩-৫ দা থোইখি।

২১ শুবা গভরনস কপ ৱিমেন্স শগোল কাংজৈ, পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ওসি শান্নখিবা মেটচতা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লব মালোমনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ৱিমেন টিমবু পাঞ্জল ১১-২ দা থোইখি।

ফূটবোলঃ আর.দি.সি. লাইরেনকাবী ক্লবনা শিনদুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওসি শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা- ৱাংখেম এফ.সিনা আর.দি.সি লাইরেনকাবীবু পাঞ্জল ৮-১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ওসি শান্নখিবা মেটচতা ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা য়ু.এস.এ খুরাইবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ লমদেং খুনৌদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোরে এফ.সিনা উরিপোক অপুনবা এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা শান্নখিবা মেটচতা চেম্প খাগেপল্লিনা এস.সি.সি.সি শিংজমৈবু রন ৯৫ দা থোইখি।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালবু রন ১১৭ তা থোইখি।

-----